Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.811778
US Dollar	73.202770
British Pound	97.640417
Australian Dollar	53.680198
Chinese Yuan Renminbi	10.723194
Japanese Yen	0.689386
Malaysian Ringgit	17.653267
Singapore Dollar	53.765922
South Korean Won	0.061662
Saudi Arabian Riyal	19.520739
Thai Baht	2.342272
Myanmar Kyat	0.05518
Bangladesh Taka	0.86383

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	Rs	51173.00
Mumbai	Rs	51108.00
Delhi	Rs	51147.00
Kolkata	Rs	51384.00

GAS NEWS

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
Booking upto : 18/07/2020
Valid from : 15/07/2020
STK. : 306
TIME : 7:00AM -10:00AM
HOME DELIVERY DATE
03/09/2020
CONTACT NO. : 7005695308, 6009772483

TDK GAS
Booking upto : 13/07/2020
Valid from : 07/07/2020
ONLY HOME DELIVERY
CONTACT NOS.
6909614353/8731992324

CANCHI INDANE SERVICE
Booking upto : 20/07/2020
Valid from : 16/07/2020
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WIHTIN FOUR (4) DAY
KWAKEITHEL : 8794191632
NAOREM LEIKAI : 7085732827
FOR BOOKING CONTACT
KWAKEITHEL : 7627964838 & 7627964917
NAOREM LEIKAI : 9863131337
CONTACT TIMING : 09.00AM TO 11.00 AM

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING DATE : 20/05/2020
TIME : 11.00AM TO 2.00PM
ANY ENQUIRY
CONTACT NO. : 7629045883

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking upto : 18/07/2020
Valid from : 10/07/2020
HOME DELIVERY ONLY....
CONTACT NO: 9089709738, 7005204180, 8787566191
OFFICE TIMING: 8.00 AM TO 11AM
WILL BE DELIVERED FOR 3 DAYS

M/S R AND H INDANE SERVICE IRILBUNG
ONLY HOME DELLIVERY
Booking Upto : 25/06/2020
Valid from : 03/06/2020
OFFICE NO. : 9366013547/ 9862640159/8132036940
TIME : 8.00AM TO 12.00 NOON

HRANGCHAL GAS AGENCY
Booking upto : 18/07/2020
Valid from : 17/07/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM TO 12:00PM
(HOME DELIVERY ONLY)

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 18/07/2020
Valid from : 18/06/2020
HOME DELIVERY ONLY....
CONTACT NO: 8730954041, 8259969582
OFFICE TIMING: 7.30 AM TO 12.00NOON

PATSOI INDANE
Booking upto : 19/06/2020
SL. NO. - 13
Valid from : 16/06/2020
STOCK : 306 (DBTL ONLY)
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NO. +919383082751
CALL TIMING : 8.00 AM TO 1.00PM
PLEASE UPDATE MOBILE NO.

MAHALAKSMI INDANE GAS
Booking upto : 16/07/2020
BK.SL. UPTO - 303292
Valid from : 12/07/2020
HOME DELIVERY ONLY
CONT. TIMING : 10.00 AM TO 12.00 NOON
9862312969 # 8414929709
BOOKING : AFTER 15 DAYS FROM DELIVERY.

LEIBAKLEI GAS KAKCHING
Booking upto : 15/06/2020
Valid from : 29.05.2020
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY
CONT CALL : 9862836403, 8415050488, 9862283423
TIME : 7.00AM T0 10.00AM

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
BOOKING UPTO 14.2KG-05/08/2020
VALID FROM-27/07/2020
***19KG AVAILABLE
FOR DELIVERY SERVICE
PLEASE CONTACT
-7085738631OR 8119967523
CALL TIMING:8:00AM TO 2:00PM

খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারগনি : মীলাল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস) : মীতৈ ময়েক নীংথিনা হৈথোই-শিংথোইরবা অমদি নীংথিনা তাকপী তন্বীবা ঙম্বা টি ঈ টি পাস তৌরবা ওজাশিং অসিবু লৈঙাক্লা লৌখৎপীয়ু। করিগুম্বা ওজাশিং অসিবু লৌখৎপীনবা থবক লৈঙাক্লা পায়খৎলক্ত্রবদি লৈবাক মীয়াম য়াওনা অকনবা খোঙজং চঙশিন্ননবা শেম-শারগনি হায়না মীলালগী জেনরেল সেক্রেটরি ইরোম লোইখোম্বা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীলালনা ঙসি ফাওবা ইরোল ইয়েকপু অৱাংবা থাক্তা থম্নবা লৈবাক মীয়াম য়াওনা হোৎনমিন্নদুনা লাক্লি। ঙসি ঙসিমকসু মীলালগী থবক থৌরমগী মনুং চন্না টিচর এদ্যুকেসন্দা মণিপুরীগী পেদাগোজি সবজেক্ট অসি ইংলিসতা তাক্তুনা লৈরে। ওজা ওইনবগী তন্বী তাকপীবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তারক্লি। মমালোলবু করম্না অঙাংশিংদা তাকপী তন্বীগনি হায়বসি ঙসিগী টিচরস এদ্যুকেসনগী ইনষ্টিট্যুসনশিং অসিদা লৈত্রি। এস সী ঈ আর টি অমদি লেংগ্বেজ দিরেক্টোরেটনা মণিপুরী মেদিয়ম খক্তগী ওইবা ওজাশিংবু ট্রেনিং পীনবা দাইট সেন্টর হাংদোকপীদনা থম্বা হায়বসি লাইবক থীবনি। গ্রেজ্যুএট লোইরক্লবা মহৈরোয়শিং অসি ওজা ওইনবগী ক্বালিফিকেসন লৈত্রি।

নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী ২০২০ পাস তৌখ্রবসু মসিগা শাগোন্নরিবা পোলিসী অমা ফাওবা শেমদনা লৈরি। মরম অসিনা অথুবা মতমদা এস সী ঈ আর টিগী মখাদা লৈঙাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ইনষ্টিট্যুট ফোর এদ্যুকেসন এন্দ ট্রেনিংদা মণিপুরী লোল খক্তদা য়ুম্ফম ওইবা সেন্টর ওইহনবীয়ু হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

জুলাই থাদগী ফংফম থোকপা চেঙ পীবীদ্রে : টি এন এফ ও

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস) : কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সাইকুল অমসুং আইলেন্দ সব-দিভিজনগী খুন ২৭কী মীয়াম্না নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) অমসুং প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান অন্ন যোজনা (পি এম জি কে এ ৱাই) মখাদা ফংফম থোকপা চেঙশিং জুলাই থাদগী পীবীদ্রে হায়না তাংখুল নাগা ফুটহিলস ওর্গনাইজেসন (টি এন এফ ও)গী প্রসিদেন্ট তর্নর রাইহিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা পি এম জি কে এ ৱাই স্কিমগী মখাদা চহী অসিগী নবেম্বর থা ফাওবা লায়রবা মীয়ামদা চেঙ, হৱাই লেম্না পীগনি হায়খিবা লৈখ্রে। খুন ২৭ অসিগী জুন থা ফাওবা ফংলম্লগা জুলাই থাদগী হৌজিক ফাওবা পীবীদ্রে। মসিদা নত্তনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী বেনিফিসরিশিংগীদমক এলোট তৌবা চেঙ, হৱাইশিং অদুসু চাদা ৩০ ককথৎপীখ্রে। থৌওং অসি য়াম্না চুমদবা থৌওংনি। মরম অসিনা মরী লৈনবশিংনা হীরমসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। হীরমসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিদসু অইবা চেরোল পীশিন্দুনা ৱাকৎখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

থোং শাবা লোয়রদুনা খুঞ্জাশিংদা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচনবা খুন্দ্রাকপম এ সীদা লৈবা হরাওরৌ তাঙ্খম খুন অনীগী লোন্নবদা চেল্লিবা কোংবা তুরেলগী মথক্তা শারিবা থোং ঙসি খুন্দ্রাকপম জিলা পরিষদকী মেম্বর থাংজম অঙৌবিনা খুঞ্জাশিংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। হরাওরৌ তাঙ্খম খুন অনীগী মরক্তা চেল্লিবা তুরেলগী মথক্তা শাখিবা থোং অসি এস এফ সী ২০১৯-২০গী শেনথংগী মতেংগা লোয়ননা মেম্বর অসিনা শাখিবনি। শাদুনা লোয়রবা থোং খুঞ্জাশিংদা খুৎশিন্নখিবগী থৌরম অদুদা সোসল ৱর্কর থাংজম মোহিন্দ্রো অমদি হরাওরৌ তাঙ্খমগী খুনগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অদু কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিং ঙাক্লা মী য়ামদনা পাঙথোকখি হায়রি।

লম্বী ফত্তবদগী মীয়াম চৎথোক চৎশিনদা অৱাবা ওইরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনদগী নোংপোকলোমদা কিলোমিটর অমগা মখায়রোম চৎলগা লৈবা তোপ খোংনাংখোংদগী অৱাং পাংনা চৎখিবা খুরাই নিংথৌবুং তাবা লম্বী অসি মতম শাংনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেম্বীদবদগী হৌজিক লম্বী অসিগী ফীভম অসুক্কী মতিক শোকচিল্লে।

মনাক নকপদা লৈবা খুঞ্জা খরনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা লম্বী অসিগী মতাংদা লমদম অসিদা লৈরিবা তোপকী মীয়াম্না এঞ্জাং-নাপী পুথোক্লিবশিং অমদি ঈশিংগী করবার মচা-মচা তৌজরিবশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরে। তোপ খোংনাংখোং মচিন্দিগী হৌরগা লম্বী অসি লৈখোম লৈনাংনা সলাক শারে। লম্বী অসিদা হৌজিক কার অনী থৈনবদা মীগী থোঙ্গালদা থৌজিল্লগা থৈনরে। হান্না চাওরম্বা লম্বী অসিদা গাড়ি এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি-মীনা ফাওবা য়াওনরে। লম্বী অসি মপু পান্দবগুম মানা-মানা থোকপগী মওংদা লৈবগা লোয়ননা লৈঙাক্লসু হন্না অমুক্তা য়েংবিদ্রে। লম্বী অসি খুন অনী তাইনবা ভিলেজ নম্বর ১৮ অমসুং ভিলেজ নম্বর ২২ মরক্তা খুরাই এ সী অমদি ক্ষেত্রিগাও এ সী অনীগী মরক্তা লৈবা মরম্না লম্বী শেম্না মতমদা লৌতান্নদুনা লৈরে। লম্বী অসি শেমজিনবিনবা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱর্ক্স মিনিষ্টর অমদি ৱর্ক্স দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা মীৎয়েং চংবিনবা প্রেসকী খুৎথাংদা খুঞ্জাশিংনা পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি।

ৱাহিক্লা লান্দারক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস) : অৱাং পোৎশংবম খুল্লেনগী লৌফমশিংদা পাক শন্না ৱাহিকনা লান্দারকপদগী মফম অসিগী লৌমীশিংনা লৌ লোক্লরোইদ্রা হায়বগী মীপায়বা পোক্লরে। কোভিদ-১৯ লাইচৎনা অৱা চৈথেং পীদুনা শুবা নোম্বা অমদি শেন্দাল লম্বীদা অপনবা পীবগী মথক্তা ৱাহিকনা ফৌথোক লৈহন্দ্রবদি মথং চহীদা চানবা চীঞ্জাক ফংদবগী অচৌবা অৱাবা মায়োক্লবা তাবনি। মরম অসিনা লৈঙাক্লা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীদুনা ৱাহিক্তগী কন্ননবা হোৎনবীয়ু হায়না আর কে মিসন অৱাং পোৎশংবমগী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে গুনচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লাংবন চরা তম্বা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ : হয়িং খোংবান উফোং য়ুম্ফমদা লৈরিবা লাইনিংথৌ সনামহী লাইশঙদা লাংবন চরা তম্বগী থৌরম মমিংতগী ওইনা লাইগী শোয়দনবা পাঙথোকচখ্রে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা চাউনা পাঙথোকপা ঙমখিদবা অসিগীদমক লৈবাক মীয়াম্না ঙাকপীগনি হায়না লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী এগজিক্যুটি ওফিসরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কে এ ভি আই ফাউন্দেসন শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস) : সেলিন দিজিটেলগী য়ুনিট অমা ওইনা কে এ ভি আই ফাউন্দেসন ঙসি শঙ্গাখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌজম লনজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা ললিত প্রিন্টিং প্রেসকী প্রোপ্রাইটর এল ললিতনা চীফ গেষ্ট, জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী রিটায়ার্দ প্রিন্সিপাল পি ঐচ ইবোতোননা প্রসিদেন্ট অমসুং এন ইবোতোম্বীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা কে এ ভি আই ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি ফাঞ্জৌজম লনজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ফাউন্দেসন অসি সেলিন দিজিটেলগী অনীশুবা য়ুনিট ওইনা হাংদোকপনি। সেলিন দিজিটেলনা সেলিন ফাইনান্স হায়না অপীকপা শেন্দোয়দা মীওই ৫০ রোমদা লোন পীখ্রে। ঙসি অমুক কে এ ভি আই ফাউন্দেসন হায়দুনা শৈরেং ইবা পামজবশিংগীদমক ফাউন্দেসন অসি শঙ্গাবনি। ফাউন্দেসন অসিদা মিনি লাইব্রেরী অমসু য়াওরি। মসিদা লাইরিক ৩৫০ লৈরে। মখা তানা লাইরিক অতৈসু লৈননবা হোৎনরি। মীয়াম্না লাইব্রেরী অসিদা লাকপীদুনা লাইরিক পাবীয়ু। লোয়ননা শৈরেং-ৱারেং ইবগী খুদোংচাবসু লৌবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

সী এসনা পায়গদবা দিপার্টমেন্টশিং হোংদোকহনখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*ওফিসরশিং অদুগী মনুংদা এম ঐচ খাননা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট, ফিশরি, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী এদিসনল চীফ সেক্রেটরি অমসুং মণিপুর ভবন দিল্লিগী ও এস দি ওইনা, পাওলুনথাং বাইফৈনা ট্রান্সপোর্ট, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন অমসুং ৱর্ক্সকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ওইবগী মথক্তা ঈ বি এ দি এ অমসুং বি আর দি ভি বিগী মেম্বর সেক্রেটরি ওইনা,ভুমলুনমাং ভুৱালনামনা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, দি এ দি, এ আরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ওইবগী মথক্তা ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিংগী দিরেক্টর জেনরেল ওইনা, আর কে দিনেশনা টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, রেভিন্যু অমসুং কোওপরেসনগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি ওইনা, নিধি কেশরৱানিনা এগ্রিকলচর, সেরিকলচর অমসুং আর দি এন্দ পি আরগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি ওইনা, চিপাং অর্থর ৱোর্চুইয়োনা টি এ এন্দ হিলসকী স্পেসল সেক্রেটরি, টি এ এন্দ হিলস, টি আর আইগী দিরেক্টর, এম টি দি সীগী এম দি অমসুং চীফ সেক্রেটরি ওন স্কিল দিভলপমেন্ট এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টকী ও এস দি ওইনা, হাওলিয়ানলাল গুইতেনা লেভর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টকী এদিসনল সেক্রেটরি ওইবগী মথক্তা ষ্টেট হেল্থ এজেন্সীগী সী ঈ ও ওইনা, ডা. নেভিদিতা লাইরেনলাকপমনা হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী এক্স-ওফিসিও রেজিষ্ট্রার অমসুং ট্রান্সপোর্টকী দিরেক্টর ওইনা, ললিথম্বিগাই কালিদাসনা টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইবগী মথক্তা আই টি টু দি চীফ সেক্রেটরিগী ও এস দি ওইনা, লৌরেম্বম বিক্রমনা ট্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ অমসুং ভিজিলেন্সকী দিরেক্টর অমসুং ভিজিলেন্স, দি পিগী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা, খুমন্থেম দাইনানা টি এ এন্দ হিলসকী জোইন্ট সেক্রেটরি অমসুং এদ্যুকেসন (য়ু)কী দিরেক্টরগী ওইনা, মামোনি দোলেনা পোরোম্পাৎকী এস দি ও অমসুং গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী ঈ ও ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি।

এম সী এসশিংগী মরক্তনা মর্সিনা আর পানমৈনা ৱাটর রিছোর্সেস, মাইনর ইরিগেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি অমসুং প্রিন্টিং ষ্টেসন্নরিগী দিরেক্টর ওইনা, কে বোনোনা ইলেক্সন, আই পি আর অমসুং ৱর্ক্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা, কজইগাই গাংমৈনা তমেংলোংগী এ দি সী ওইনা, সহমিম অহমদ শাহনা ইম্ফাল ইষ্টকী এ দি সী ওইনা, ডা. থৌনাওজম চরাঞ্জিৎনা হোম অমসুং মহুদকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ওইনা, ডা. য়ুম্নাম সুরজনা দেপ্যুটি লেভর কম্মিস্নার অমসুং ও বি সী এন্দ এস সীগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ওইনা, এম দি ফিরোজ খাননা য়ুথ এফ্যেয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমসুং ৱর্ক্সকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ওইনা, বিশেশ্বর খুমুকচমনা এদ্যুকেসন (এস)কী অন্দর সেক্রেটরি অমসুং ও বি সী এন্দ এস সীগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা, সৈখ অব্দুল হকিমনা ৱর্ক্সকী অন্দর সেক্রেটরি অমসুং ৱাকফ বোর্দকী সী ঈ ও ওইনা, দাংমৈ মংলেমনা টি এ এন্দ হিলস অমসুং টুরিজমগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা, বিজানন্দ চবুংবমনা গ্রিভান্স সেলগী ও এস দি অমসুং মাইনোরিটি এফ্যেয়র্সকী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা, লঞ্জয় থৌদামনা ইম্ফাল ইষ্ট টুগী বি দি ও ওইনা অমসুং দি মৈদিনবুইনা তমেংলোংগী এ সী টু দি সী অমসুং তমেংলোং ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী সী ঈ ও ওইনা থৌ পুরগনি। অদুগা এম এম এ এস ওফিসর টি ঐচ হরিকুমারনা মহুদকী দিরেক্টর ইন-চার্জ অমসুং ইম্ফাল স্মার্ট সিটি লিমিটেদকী সী ঈ ও ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি হায়না ওর্দর অদুদা পল্লি।

কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ইমুংশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা পৌরাবিদা মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী পৌরাবি মখা লৈকায়গী য়ুমথোং ৩০ মুক হেন্না কন্টেনমেন্ট জোন লাওথোক্তুনা লৈখ্রবা ইমুংশিংদা লেপ্পা লৈতনা মতেং পাংনরক্লি হায়না কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাহেংবম জনমেঞ্জোয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পৌরাবি খুনদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবিনসু মরুওইবা পান্দম থমদুনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংসু লৌখৎলি হায়রি। কন্টেনমেন্ট জোনগী মনুং চন্না লৈরিবা য়ুমথোংশিংদা কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবিকী ভলন্টিয়রশিংনা মীয়াম্না মতেং পাংলকখিবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থবকসু চৎথরি। লোয়ননা কন্টেনমেন্ট জোনশিংবু ঙাক শেন্দুনা লৈরিবা মণিপুর পুলিস পর্সনেলশিং অমদি ও সী কোন্সম উমানন্দবু থাগৎপা ফোঙদোরকখি। লোয়ননা পৌরাবি পার্টি-২গী মেম্বর য়াম্খেম অনিলবাবুনসু শেলগী মতেং ওইনা লুপা ১০০০সু মতেং পাংবিখি। মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী কোভিদ-১৯ ৱরিয়র, ভলন্টিয়র অমসুং টাস্ক ফোর্সকী মীওইশিংবু ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবশিংগী অৱাবদা পৌরাবিগী কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্সনসু শরুক য়াজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

নুপীমচা অমগী ইকাই খুম্নবা...

*লামায় ১গী মখা...*অদুগী মমিংনা এম দি অরিশ অলিয়স মাজা খান (১৯) অপোকপা এম দি শিকন্দর কৌই। মহাক ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হৈবুং মখোং মথক লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। মীয়াম্না ইরাং হৌরকপদগী এম দি অরিস এলিয়স মাজা খানগী য়ুম ঙসি নুংথিল মৈ থাখ্রে। ইরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা দি আই জি রেঞ্জ ৱান অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি অমদি মকোক থোংবা পুলিস ওফিসরনচিংবসু শরুক য়াখি। চেন্নরিবা নুপা অদু ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ রোম তাবদা পুলিসনা ফারে হায়রি।

অমরোমদা, থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) গী স্পোক্সপর্সন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, চহী ১৪দা ঙাইরিবা নুপী অমবু নমদুনা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবদা চেন্নবা মীওই অদু পুং ২৪গী মনুংদা পুলিস দিপার্টমেন্টনা ফারগা অকনবা চৈরাক পীগদবনি। থৌদোক অদু এম এম দব্লিয়ু য়ু ওনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মমাংদসু য়াইরিপোক্তগী নুপী অমসু নুপী ওইবীগী ইজৎ মাঙহল্লবা মতুংদা ইকোপ পাৎতা হাৎলম্বগী থৌদোক লৈখ্রে। মরম অদুনা মরাল লৈরবা মীওই খুদিংমক অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ফারগা লোগী ওইবা থবক লৌখত্তুনা চৈরাক পীদবা তারবদি এম এম দব্লিয়ু ওগী ৱিমেন ৱিংনা তুমিন্না খক লৈথোক্লোই হায়রি।

তোখায়বা নাগাগী ফিরাল...

লামায় ১গী মখা... শেমদোক্লগা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা খুরৌ থাংহল্লে হায়না এন এস সী এন (আই-এম) না মরাল শীদুনা লাকখি।

নাকল অমরোমদা, নাগালেন্দ গাওন বুরহানচিংবা নাগা লূপ কয়ানা এন এস সী এন (আই-এম) য়াওদ্রবসু নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না সেন্টরদা তকশিনখি। কুমজা ২০১৭তা সেন্টরনা নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি) কৌবা তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপ তরেৎনা পুল্লগা শেম্বা গ্রুপ অমগা য়ান চে অমা খূৎয়েক পীনখি। এন এস সী এন (আই-এম) নদি ইন্দিয়া গভভর্ণমেন্টকী থৌওং অসি নাগাশিং খাইবুং-খাইবুং তাহল্লগা নাগা মীয়ামগী অপাম্বা ফংহন্দনবা অতম্নন লৌখৎলকপা থৌরাংনি হায়না য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

নাগা পিছ টৌক্কী ইন্টরলোক্যুটরসু শিন্দোকহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। অদুবু নাগালেন্দ গাওন বুরহানদি অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্কদবা মতম নকশিল্লক্লবা অসিদা ইন্টরলোক্যুটর শিন্দোকপা য়ানীংদে। এন এস সী এন (আই-এম) নৎত্রগা নাগা হোহোনা পুখৎলকপা ৱাফমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীরোইদবনি। মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়না নাগালেন্দ গাওন বুরহানা তকশিনখি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা...

লামায় ১গী মখা... কোর্টকী এদিসনল সেসন্স জজ ওজেস মুতুমনা চ্যেরমেন অমসুং এদভোকেট সী ঐচ মোমোননা মেম্বর ওইখি। অদুগা এদভোকেটশিং পি ইবোমচা অমদি সাপম জিবননা শরুক য়াখি। ওনলাইন লোক অদালট অসিদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা হেজাং হাওকিপ অমসুং কিমনৈচোং খোংশাইসু য়াওখি হায়রি। অদুগা নেসনল ইন্সুরেন্স কম্পনি লিমিটেদকী দিভিজনেল মেনেজর নাওরেম ইবোমচাসু শরুক য়াখি হায়রি।

ঙসিগী লোক অদালটতা এম এ সী টিদা পন্দুনা লৈরকপা মোটোর এক্সিদেন্ট ক্লেমস কেস ১২ লৌখৎপগী মনুংদা ৭ সেট্টল তৌখি হায়রি। পিটিসনশিংগী মতুংইন্না কেসশিং অসিগী ক্লেম এমাউন্টনা লুপা ক্রোর ২.৯০নি হায়রি। লোয়ননা মসলসাগী মায়কৈদগী ঙসিগী থৌরম অসিবু মায় পাকহনবগীদমক প্রেসাইদিং ওফিসর, ষ্টাফশিং (এম এ সী টি), জুদিসল ওফিসরশিং, এদভোকেটশিং, কেসকী পার্টিশিং, নেসনল ইন্সুরেন্স কম্পেনি লিমিটেদকী ওফিসলশিং অমদি প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

হান্না থৌশারমদ্রগসু তূম্বা-চাবগী...

লামায় ১গী মখা... খরমখৈদি ঙাকথোকপা ঙমগনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা মওংদা লৈপুংখাংঙা চাবসু কান্নগনি। অমরোমদা হৌজিক হোংলক্লিবা মতম অসিদদি কিটচন গার্দেনদা ফংলিবা পোৎশকশিং য়ারিবমখৈ চাবনা অফবা ওইগনি। মরম অদুনা য়ুমথোং খুদিংমক্তা কিটচন গার্দেন শেমগৎপগী তঙাফদবসু লৈরে। মীওই খরনা গ্রিন টি থকপা ফৈ হায়না কা হেন্না থকপসু লৈ। অফবা পোৎশক ওইরবসু পোৎশক খুদিংমক্কী লিমিটেসন লৈ। অফবা পোৎশকনি হায়রগসু কা হেন্না শীজিন্নবগী মাঙজবা কয়া লৈ। মীওই খরনা ঈশিংদা তুলসি ফুৎলগা থকপা ফৈ হায়দুনা অশৌবা ঈশিংদা তুলসি মনা থাদরগা মতম শাংনা ফুলগা থকপসু য়াওরি। থৌওং অসি অরানবনি, মরমদি মতম শাংনা তুলসি মনা ঈশিংদা থাদরগা ফুৎলবদি তুলসিদা য়াওজরম্বা নেচরেল প্রোপর্টি মাঙবনা হকচাংদা থোইনা কান্নবা ওইরোই।

চনম অমদি খোইহী পুন্না চাবসু হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহল্লি। অদুবু দাইবেটিস লৈবা মীওইশিংগী ওইনদি খোইহী শীজিন্নবা চুমলোই। হায়রিবা য়াম্না লায়না ফংবা চিঞ্জাকশিং চাবগা লোয়ননা অঙাং-অহল খায়দনা নোংমগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মিনিট ৩০ মুক্তি হকচাং শাজেল তৌবা মথৌ তাই। মতম অসিগী মীওই অয়াম্বগী পুন্সি মহীংদা অচৌবা অহোংবা কয়া লাকখ্রে। হৌজিক-হৌজিক মীয়াম্না থেংনরিবা হকচাংগী নুংঙাইতবা কয়া অসি তূম্বা চাবা মতম নাইদবনা অয়াম্বা থোকহল্লকপনি। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ তূম্বা অমদি চাবগী মতম চাং নাইবা মথৌ তাই। মীয়াম্না অতাঙবা হৈ-রা খক্তা চাবগী ৱাখলসু থাদোকপীবা ফৈ। মীপুম খুদিংমক মতম-মতমগী ওইবা হৈ-রাশিং মরাং কায়না চানবা হোৎনবীগদবনি। লোয়ননা লমদম অসিগী মীওই খরনা অরানবা ৱাখল্লোল অমগা লোয়ননা য়ূ কা হেন্না থক্লরিবা অসি তশেংনা অশোয়বা থবকনি। মরমদি মৈখু শীজিন্নবা অমদি য়ূ থকপনা কোরোনাভাইরসকী সুপর ইনফেক্সন তৌবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈবনা য়ারিবমখৈদি লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা মৈখু শীজিন্নবা অমদি য়ু থকপগী হৈনবী থাদোকপা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরকখি।

ফগৎলকপা মীশিং ৪৬০৭...

লামায় ১গী মখা... জেনিমসকী ভি আর দি এলদা ২, রাজ মেদিসিটিদা ৮, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৯, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৩০, জিবন হোস্পিটালদা ২, এদভান্স হোস্পিটালদা ১, মাইপাকপী হোস্পিটালদা ১, ককচীংদা ৩, বিষ্ণুপুরদা ১৬, শিজ হোস্পিটালদা ২, ইম্ফাল ইষ্ট আর এ টিদা ৫, থৌবালদা ১০, চুড়াচান্দপুরদা ২৮ অমসুং ইম্ফাল হোস্পিটালদা কেস ১ থেংনখিবনি।

হায়রিবা মীওইশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৪০, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৮, থৌবালদগী ১৪, বিষ্ণুপুরদগী ১৭, চান্দেলদগী ১, চুড়াচান্দপুরদগী ২৮ অমসুং ককচীংদগী ৫নি। নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওই পুম্নমক অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎলুবগী ট্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা ঙাক্তনি। হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা মী শিবগী থৌদোক অমত্তা থোকখিদ্রে। অদুবু মীওই ১৫৭ নাবা ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখি। দিসচার্জ তৌখ্রবশিংগী মনুংদা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ৬৩, কোভিদ ক্যের সেন্টর লম্বোইই খোংনাংখোঙদগী ৪৫, য়ুনাক্কোদগী ২৯, জেনিমসতগী ১, রিমসতগী ৫, আর দি ৱিংদগী ১১, জে এন ভি চান্দেলদগী ২ অমসুং পি আর ককচীংদগী ১নি। আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইবদগী মীওইশিং অদু দিসচার্জ তৌখিবনি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ৬৫০৭ য়ৌরে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, অপূনবা কেস মশীংগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৪৯০৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৬০২ য়াওরি। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ৪৬০৭নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৩৬৬০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৯৪৭ য়াওরি। এক্টিভ কেস ১৮৭১ লৈবদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১২১৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৬৫৩ য়াওরি। হৌজিক ফাওবদা ফগৎলকপগী চাং চাদা ৭০.৮০ ওইরে। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান- তোঙানবা মফমদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা পাউজেল শন্দোকখি। হায়রিবা মফমশিং অদুদি ধর্ম্মসলা, কোন্থৌজম লাইরেম্বী, শমুরৌ, লমদেং খুনৌ, হিয়াংথাং পালক, লমশাং থোং মনীং, থাংমৈবন্দ ৱাথম লৈরক, ৱাহেংবম লৈকায়, কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় অমদি ক্বাকৈথেল তখেল্লম্বম লৈকায়নি।

এম এল এশিং দিসক্কালিফাই তৌবগা মরী লৈনবা...

লামায় ১গী মখা... মরী লৈনবা কেস ১১ মক ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১দগী ১১ ফাওবদা লিষ্ট তৌখি।

দিভিজন বেঞ্চনা কেসশিং অসি লৌখৎলকপদা অহানবা আইটেমদা য়াওরিবা এক্স এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্রনা ফাইল তৌরকপা পিটিসন পায়খৎখি। মসিদা দিসক্কালিফাই তৌববু চেলেঞ্জ তৌরকপা মহাক্কী পিটিসনগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা মহাক্কী ওইবা অর্গ্যুমেন্টশিং কোর্টতা থমখি। অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদগী পুং ১১.৩০ রোম ফাওবগী মতম ফংখিবা দিভিজন বেঞ্চ অসিদা সিনিয়র কাউন্সেলনা হৌবদগী লোইবা ফাওবা মহাক্কী ৱাফমশিং সবমিট তৌখি।

অদুম ওইনমক হিয়ারিং অসিগী প্রোসিদিংশিং হৌগৎপদা ঙাইরিবনা দিসক্কালিফিকেসনগা মরী লৈনবা মেটরশিং অসি কোর্টকী ‘পার্ট হর্দ’ তা থমখিবগা লোয়ননা ৱাৎহৌরিবা শরুকশিং থাসিগী ৪দা অমুক চংথনবা মতম লেপখি।

পনবা য়াবদি, দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা এম এল এ ৩ অসিগী মনুংদা য়াওরিবা ৱাই সুরচন্দ্রদি ময়াংলম্বম রামেশ্বর কৌবা পিটিস্নর অমনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন অমসু হায়কোর্টসিদা মায়োক্লরিবনি।

অমরোমদা, বি জে পিগী এম এল এ ওইরম্বদগী রিজাইন তৌখ্রবা টি থাংজালম হাওকিপনা মহাক্কী রিজিগনেসন লেটরবু অয়াবা পীখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরনা অয়াবা পীখিববু চেলেঞ্জ তৌরদুনা হায়কোর্টতা ফাইল তৌরকপা সিভিল রিট পিটিসন অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস ২গী ৱায়েল থা অসিগী ৪দা পুল্লপ পাঙথোক্লবা য়ৈথোকখ্রে।

এক্স এম এল এ টি টি হাওকিপনা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) অদুগী নম্বর ৩৮৭ ওফ ২০২০নি। অদুগা মেটর অসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি সী) অনীদুগী নম্বরশিংনা ১৪০ ওফ ২০২০ অমসুং ১৪৬ ওফ ২০২০নি। মিসেলিনস কেস অনীসি মথংশিংৎনা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) অমসুং এক্স এম এল এ মশানা এপ্লিকান্টশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। কেসশিং অসি ঙসি হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অনীগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১২দগী ১৪ ফাওবদা পূন্না লিষ্ট তৌখি। অদুম ওইনমক মেটরশিং অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক খন্ননবা লিষ্ট তৌরবসু দিভিজন বেঞ্চ অসিনা লৌখৎতুনা খন্নবগী মতম ফংখিদবদগী থাসিগী ৪দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখিবনি।

পনবা য়াবদি, কেসশিং অসিদা পিটিস্নর এক্স এম এল এ অসিগী মায়কৈদা কাউন্সেল আর কে দিপকনা লেপ্পলগা কোংগ্রেসকী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল নামোইজম ইবোতোম্বীনা লেপ্লিবনি।

ৱারোইশিন পুরকপা য়ানা লৈরে হায়রিবসিগী মতাংদা মীয়াম্না চেকশিন্না...

লামায় ১গী মখা... পুরক্লনি হায়দুনা পি এম ও ওফিসনা খঙহনখ্রে।

চেরোল অসিনা হায়, সেন্টরগী মায়কৈদগীসু সেপ্টেম্বর থাদা ৱারী শানবা লোইশিনগনি হায়বগী ফিরেপ হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোঙদোক্লি অমদি নাগালেন্দগী নাগা বোদি ওর্গনাইজেসন কয়ানসু পিছ টোক অসি মতম কুইমল্লে, ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা মসিদা এন এস সী এন (আই এম) খক্তনা অয়েৎ অপন পীদুনা লৈহনবসি চুমদে, এন এস সী এন (আই এম) য়াওগেরা য়াওরোইরা সাইন তৌনদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা প্রাইম মিনিষ্টরদা হঞ্জিন-হঞ্জিন মেমোরেন্দম ফাওবা পীশিন্দুনা লাক্লি।

পিছ টোককী খুৎয়েক পীনদুনা ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুর মীয়াম্না য়েৎপা লৈতে। তৌবদবু পিছ টোক অসি নাগালেন্দ খক্তদা ওইগদবনি। য়ুমথংনরিবা মণিপুরগী ফুরুপশিংগী নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নরিবা অপূনবগী পুন্সিরোলদা কায়গদবা থৌরাং থৌশিল অমত্তা তৌবা য়ারোই।

কুমজা ২০১৯ গী নবেম্বর ২৫, ন্যু দিল্লিদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা কোকোমি অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর য়াওনা উনখিবদা দেলিগেসন টিমগা হায়নখিবা ৱাফমশিংসিগী ওন্ন-তৈনবদা করিগুম্বা থবক তৌগদবা ওইরবদি মাঙজৌননা মীয়াম্বু অমুক ইনভাইট তৌরক্তুনা তানরক্কনি হায়রকখিবা হোম মিনিষ্টরগী ৱাফমশিংদু লমদমসিগী চীফ মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর তাহৌরিবনি অমদি ইন্দিয়াগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফ্যেয়র্স জি কিষন রেদ্দিসু তাহৌরিবনি।

কোকোমিগী মায়কৈদগীদি মণিপুর মীয়াম্না পাল্লিবা ৱাফমশিং শেংনা থল্লমখি। এন এস সী এন (আই এম)না মতম শাংনদগী দিমান্দ তৌদুনা লাক্লে হায়দুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পূক্নিং থৌগৎপা মানবা মওংদা ষ্টেট অসিগী মনুংদা নাগা তাবা মফমশিং পুনশিনবা, পান নাগা কলচরেল বোদি/প্রোভিন্স/টেরিটোরিএল কাউন্সীল অমদি ইথনিক লাইনদা এদমিনিষ্ট্রেটিভ এরেঞ্জমেন্ট/দিভিজন নৎত্রগা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেটঅপ নৎত্রগা মসিগা মান্নবা থৌশিল থৌরাং অমত্তা তৌবা য়ারোই। নাগাগী ফ্লেগ নাগালেন্দ খক্তা চৎনগদবনি। মণিপুর এসেমব্লীগী দিগনিটি হন্থগদবা, মণিপুর ষ্টেট বাই পাস তৌরগা চৎখিবা য়াবা নৎত্রগা মণিপুরগী এসেমব্লীদা দিক্টেট তৌবা য়াবা বোদি অমত্তা লৈবা য়ারোই। হৌজিকসু মীয়ামগী ফিরেপ হোংবা লৈত্রি।

করিগুম্বদা পিছ টোক অসিনা মণিপুরবু চেন্নবা ৱাফম য়াওরকপা তারবদি মণিপুরগী সী এস ওশিং তানগনি হায়বা সেন্টরগী ৱাফম ঙাক্লা চৎকদবনি। তৌবদবু সেপ্টেম্বর থা হৌরে হৌজিক ফাওবদা ৱাফম অমত্তা সী এস ওশিংদা খঙহল্লকপা লৈত্রি। মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোক্লবা কান্দা ফাইনেল দিস্কসন লোইরবা মতুংদা জি ও আইনা মণিপুরগী সী এস ওশিং কৌরগা তানগনি হায়বসিদি য়ারোই। পিছ টোক অসিনা মণিপুরগী ৱাফম য়াওরক্লগদি মণিপুর মীয়ামসু পিছ টোক অসিগী পার্টি অমা ওইগদবনি। ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী রিপ্রজেন্টেটিভসনা মণিপুরদা লাক্তুনা মীয়ামগী ৱা তাগদবনি। পিছ টোককী হৌজিক ওইরিবা ফীভমসু সী এস ওশিংদা থমগদবনি লোয়ননা সী এস ওশিংগী ৱারোলসু লৌগদবনি।

এন এস সী এন (আই এম)গী মায়কৈদগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম কয়া লৈরবসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবা তুমীন্না লৈশিল্লি। চুম্মীসু হায়দে লাল্লিসু হায়দ্রি। করিগুম্বদা এন এস সী এন (আই এম)না ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোল ফোঙদোরক্লিবসিমক্লা অচুম্বা ওইরগদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ওফিসিএল্লি মীয়ামদা থমগদবনি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি কন্থোক্তুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা শুপ্নমদা থবক চংথরক্লবদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী লৈঙাক্লি হায়রিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসিগী ৱাহন্থোক লৈত্রে হায়না মীয়াম্না লৌগনি অমদি মদুগা চান্নবা থবকশিং লৌখৎনবগীদমক্তা কোকোমিনা মীয়ামগা লোয়ননা মতম পুম্নমক্তা শেম-শাদুনা লৈরি। লৈঙাক অমা পাল্লি হায়বগী ঈকায় খুম্নবা পীরক্তবা তারবদি লৈঙাক অদুনসু মখোয়গী মায়োক্তা চান্নবা থবক লৌখৎননবা মীয়ামগা লোয়ননা মণিপুর কন্ননবা থৌরাং খরা তৌবা তঙাইফদে। ঐখোয়গী লৈপাক করিগুম্বা ফীভম অমত্তদা মচেৎ তাবা য়াবা থৌশিল থৌরাং খূদিংমক অমত্তা ওইনা থেংনমিন্ননবা শেম-শারসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।